# লাইচৎ অকা-অকুম মরক্তা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কোভিদকী অথিংবশিং কোমথোক্লখ্রে



ৱাশিংতন, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): কোরোনা ভাইরসকী ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট অসি অতৈ ভেরিয়েন্টশিংদগী হেন্না লৌনগল্লবসু মী শিহনবগী চাং নেম্বদগী হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ফেজ মশিং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকখিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কোভিদ ১৯ গা মরী লৈনবা অথিংবশিং লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টনা হায়, হৌখিবা চয়োলদা থেংনখিবা চয়োলগী ওইবা কোভিদ কেস মশিং মমাঙগী চয়োলগা চাংদম্নবদা চাদ ৮ হেনগৎখি।

হৌখিবা জনুৱারীগী অরোইবা শরুক্তগী কেস লোদ লেপ্তুনা হন্থরকখিবা মতুংদা ইনফেক্সনগী চাং খরা হেনগৎলকখিবনি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা মখা তানা হায়, ফেব্রুৱারী ২৮ দগী মার্চ ৬ ফাওবগী চয়োলদা লৈখিবা চাংগা চাংদম্নবদা হৌখিবা চয়োলদা মালেমগী ওইনা কোভিদনা মরম ওইদুনা নৌনা শিখিবা মী মশিং লেপ্তুনা হন্থরকখি। কেস লোদ মশিং খ্বাইদগী ৱাংবা অমসুং লায়না অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা য়ুএসতা প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমেরিকানশিংদা মতম শাংনা লেপ্পুরবা মতুংদা ওফিস কারক্লবা অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা থবক শুননবা আপিল তৌখি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা মহাক্না পীখিবা ষ্টেট ওফ য়ুনিয়ন এদ্রেসতা বাইদেননা অমেরিকানশিংদা আপিল অসি তৌখিবনি।

য়ুএস সেন্টর্স ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মতুং ইন্না য়ুএসতা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ কেস মিলিয়ন ৭৯ রোম রেকোর্দ তৌবগা লোয়ননা লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিং ৯৬০,০০০ হেল্লে। লৈবাক অসিদা নোংমদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিং লেপ্তুনা হন্থরক্লি। হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন পসাকিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রেস ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈবাক অসিদা কোভিদ কেস ৩৫,০০০ রোম লৈ। মশিং অসি খরা অকা অকুম লৈবা য়াই।

এটলান্টিক্কী নাকল অমদা বৃটিস গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা কোভিদকা মরী লৈনবা ইন্টরনেসনেল ট্রাবেল রেষ্ট্রিক্সন পুম্নমক ইরাই নুমিত্তা লৌথোক্লগনি। মসিনা ইষ্টর স্কুল ভেকেসনগা মরী লৈননা লম কোয়বশিংদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি।

ট্রান্সপোর্ট সেক্রেটরি গানসাদনা ফোঙদোকখিবদা অহোংবশিং অসিনা মীয়াম্বু হান্নগী মতম ফরিঙৈগা মান্ননা চত্থোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি। ন্যু য়োর্ক টাইমসকী কোভিদ ষ্টেটিষ্টিক্কী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োলদা বৃটেনদা চাংচৎতা নোংমদা কেস ৭৩,৩১০ দিটেক্ট তৌখি।

লৈবাক অসিগী কেস লোদ চয়োল অনীগী মমাঙদা লৈখিবা এভরেজদগী চাদ ৭৭ হেনগৎখি।

অমরোমদা, লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিংনা চাদ তরা হন্থরকখি। ফ্রাঞ্চনসু নিংথৌকাবা নুমিত্তগী কোরোনা ভাইরসকী অথিংবা অয়াম্বা লৌথোকখিবগা লোয়ননা স্কুলশিং, ওফিসশিং অমসুং দুকানশিংদা মাস্ক উপ্পগী মথৌ তাহন্দ্রে। লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্তবা মীওইশিং ফাওবা বারশিং, রেষ্টুরেন্টশিং অমসুং সিনেমা হোলশিংদা চঙবা য়াহল্লে।

ফ্রাঞ্চতা চয়োল অনীগী মমাঙদা লৈখিবা এভরেজতগী চাদ ২৩ হেনগৎলকখি হায়বসি ওফিসিএল দাট্টানা উৎখি। লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা শিহনবা মশিং চাদ ৩৭ হন্থরক্লে। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দটস হেল্থ মিনিষ্টর আর্ন্স কিপ্পরনা লাউথোকখিবা অমদা গভর্নমেন্টনা মথংগী য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী কোভিদকী রুলশিং মখা তানা কোমথোক্লগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা মাস্ক শীজিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈরম্বা অদু চৎনররোই অমসুং পার্টিসিপেন্ট ৫০০ হেন্না শরুক য়াবা ফঙ্কসনশিংদা হৌজিক মখা তানা নেগেটিব টেষ্ট রিজল্টকী মথৌ তাররোই।

# য়ুক্রেনগী লান মরক্তা রসিয়াদা মরু ওইবা দ্রগ মেক্করশিং থবক লেপ্পরে



ৱাশিংতন, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবা মতুংদা য়ুএস, ফ্রাঞ্চ, জর্মনি, স্বিটজর্লেন্দ অমসুং য়ুকেগী কম্পেনিশিং য়াওনা মরু ওইবা দ্রগ মেক্কর কয়ানা রসিয়াদা নন-ইসেন্সিএল হিদাক লাংথকশিং এক্সপোর্ট তৌবা লেপখ্রে।

তৌইগুম্বসুং কম্পেনিশিং অদুনা থৱায় কনবদা শীজিন্নবা মরু ওইবা হিদাক লাংথকশিংদি মখা তানা সপ্লাই তৌরি হায়রি।

ফাইনান্সিএল টাইমসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইলি লিলিনা হায়রি, মদুদি কম্পেনি অসিনা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন লায়েংবদা শীজিন্নবদা সিয়ালিসকুম্বা হিদাকশিং এক্সপোর্ট তৌবা লেপ্পলগনি। মসিগা লোয়ননা রসিয়াদা কম্পেনি অসিনা শেল থাদবা, অতৈ প্রমোস্নেল এক্তিভিটিশিং অমদি অনৌবা ক্লিনিকেল চাংয়েংশিং পায়খৎপসু লেপ্পলগনি।

অদুম ওইনমক য়ুএসকী দ্রগ মেক্কর অসিনা হায়রি, মদুদি কেন্সর অমসুং দাইবেটিসকুম্বা মী শিহনবা য়াবা লায়নাশিং লায়েংবদা চংবা হিদাক লাংথকশিং মখা তানা সপ্লাই তৌখিগনি। ইন্সুলিন নত্তগা কেন্সরগী দ্রগশিংগুম্বা তঙাইফদবা হিদাক লাংথকশিং য়োনবদগী ফঙবা শেন্দোং খুদিংমক হ্যুমেনিটরিয়ান রিলিফকী থবকশিংদা শীজিন্ননবা দোনেসন তৌগনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা কম্পেনি অসিনা হায়, চহী ১৫০ রোম চুপ্পা লিলিনা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা পেসেন্টশিংবু মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিং ফঙহন্দুনা লাক্লি। হৌজিক রসিয়াদা চত্থরিবা কম্পেনি অসিগী ওপরেসনশিং শুপ্নগী কেন্সর অমসুং দাইবেটিসকুম্বা লায়নাশিংনা নারবা মীওইশিংদা মীৎয়েং থম্লি।

ইলি লিলিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবসি অতৈ দ্রগ মেক্করশিংনা রসিয়াদগী থোক্লগনি হায়না লাউথোক্লখিবগা ইরোয়ননিনি। জোন্সন এন্দ জোন্সননা হায়রি, মদুদি কম্পেনি অসিনা বোর্দর লৈবাকশিংদা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংগী হ্যুমেনিটরিয়ান সপোর্ট পীবদা হেন্না মীৎয়েং চঙগনি অমসুং হাইজিন কিটশিং, হেল্থ পেকেটশিং অমসুং মেদিকেল সপ্লাইশিংসু দোনেসন তৌগনি।

কম্পেনি অসিনা রসিয়াদা ইসেন্সিএল হেল্থ প্রদক্টশিং মখা তানা ফঙহনগনি। তৌইগুম্বসুং য়ুক্রেন, রসিয়া অমসুং বেলারসতা অনৌবা এনরোলমেন্টশিং লেপ্পলগনি।

চৈরকসিদা ফাইজরনা হায়রি, মদুদি কম্পেনি অসিনা রসিয়াদা চত্থরিবা ওপরেসনশিংদগী লাকপা শেন্দোং পুম্নমক য়ুক্রেনগী মীয়ামগী হ্যুমেনিটরিয়ান সপোর্টতা হকথেংননা শীজিন্নগনি হায়খি।


# রসিয়ানা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং অতৈ টোপ ওফিসিএলশিংদা অথিংবা কয়া থমখ্রে

মোস্কো, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): রসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমদি য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসনগী অতৈ টোপ ওফিসিএলগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থমখ্রে হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

য়ুএসনা অথিংবা কয়া রসিয়াগী মায়োক্তা লাউথোকখিবগী লমন খুন্বা ওইনা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং অতৈ টোপ ওফিসিএল কয়া রসিয়াদা চঙলকপদা অথিংবা লৈরগনি হায়না মার্চ ১৫ দা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখিবনি।

য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকেন, সিআইএগী দিরেক্তর ৱিল্লিয়ম বর্ন্স, দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওষ্টিন অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনগী অতৈ ওফিসিএল অমসুং পোলিটিকেল ফিগর তরাগী মায়োক্তসু রসিয়ানা অথিংবশিং থমখ্রে।





রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খ্রে, মদুদি খোঙথাং অসি হৌজিক্কী য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা লৌখৎলক্লিবা রসিয়াবু কা হেন্না তাথিবগী পোলিসিশিংগী পাউখুম ওইনা লৌখৎলকপনি।

ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান দাখিদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা লৈবাক কয়ানা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবশিং থমখি। খ্বাইদগী নৌবা য়ুএসকী অথিংবশিং অদুনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী পৱার ষ্ট্রকচরদা য়াওরিবা অহেনবা ইন্দিভিজুএলশিংদা টার্গেট তৌই।

ক্রেমলিনগা মীচং ওইনবা বেলারসকী লিদর অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মায়োক্তসু য়ুএসনা হেন্না কনবা অথিংবশিং লাউথোকখি। মার্চ ১৫ দা থমখিবা অনৌবা অথিংবশিংনা জজ অমসুং রসিয়ানা করপসন অমসুং রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চৈথাংখিবা মীওই অনীগা মরী লৈননা চত্থরিবা প্রোসিক্যুসনগী ইনভেষ্টিগেটর অমদা টার্গেট তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথিংবশিং অদুগী মনুংদা খরদি কংগ্রেসকী ২০১২ কী এক্ট অমা ওইরিবা মেগনিটস্কি এক্টকী মখাদা থমখিবনি। এক্ট অসিনা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা অথিংবশিং থম্বা য়াহল্লি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অথিংবশিং থমখিবা অদুনা পুটিননা য়ুক্রেনদা চয়োল অহুল্লোম চুপ্পা লান দারকখিবগা মরী লৈননা রসিয়া ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং টোপ ফিগরশিংগী মায়োক্তা খ্বাইদগী কনবা অথিংবশিং লাউথোকখ্রবা মতুংদা মখা তানা অহেনবা ইন্দিভিজুএল ওফিসিএলশিংগী মায়োক্তসু অথিংবশিং থমগদৌরি হায়বসি উৎলি।

অমরোমদা, পিএম জষ্টিন ট্রুদো য়াওনা কানাদাগী ওফিসিএল ৩১৩ রসিয়াদা চঙবদা অথিংবা লৈরগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রবনি।

## মালেম্না সিরিয়াগী অৱা অনা নঙলবশিংবু কাউরোইদবনি: য়ুএন

জেনেভা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): চহী ১২ চুপ্পা চত্থখিবা লান্না মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা সিরিয়ানশিংগী অৱাবা কাউথোক্তনবা য়ুএন রিফ্যুজি এজেন্সি (য়ুএনঐচসিআর) না মালেমদা আপিল তৌখ্রে।

য়ুএনঐচসিআরগী স্পোক্সপার্সন বোরিস চেসিকোপনা প্রেস ব্রিফিং অমদা হায়খি, মদুদি সিরিয়াদা ক্রাইসিস হৌখিবদগী চহী ১১ চুপ্পা লৈবাক অসিদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা দিসপ্লেসমেন্ট ক্রাইসিস থোক্লি। মীওই মিলিয়ন ১৩ হেন্না লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেনখ্রে নত্তগা লৈবাক অসিগী বোর্দর মনুংদা ময়ুম মকৈ লৈত্রবা মীওইশিং ওইহল্লে। সিরিয়াগা লোন্নরিবা নত্তগা নক্লবা লৈবাকশিংনা সিরিয়ান রিফ্যুজি ৫.৬ হেন্না শৈদাংফম পীদুনা থম্লি। চেসিকোপনা হায়, কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্না থোকহনবা শাথিরবা সোসিও-ইকনোমিক ইম্পেকনা মরম ওইদুনা হৌজিক লৈবাকশিং অসিদা শেল থুমগী প্রেসর হেনগৎলক্লি। ঙসিদি লমদম অসিদা লৈরিবা সিলিয়ন রিফ্যুজি অয়াম্বা অদুক্কী মতিক লাইররে। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা নঙলিবদি য়ুমগী অতৈ মীওইশিংগী সপোর্ট ফঙদ্রবা মমা ওইবীশিং, য়েংশিনবীনবা অমত্তা লৈত্রবা অঙাংশিং অমদি মশাগী ফিভম তোঙাল্লবা মীওইশিংনি। অৱাবগী ফিভম অসি লেবানন্দনা খ্বাইদগী হেন্না শোক্লা লৈবা উরি।

লৈবাক অসিদা চঙজফম লৌরিবা সিরিয়ান অপুন্বগী চাদ ৯০ হেন্না কা হেন্না লাইরবগী ফিভমদা লৈবা উই। সিরিয়া মনুংদা হৌজিক মীওই মিলিয়ন ৬.৯ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন ১৪.৬ হ্যুমেনিটরিয়ান মতেং মথৌ তারি। কুমজা ২০২১ দা সিরিয়াগী ইমুং অপুন্বগী শরুক মরি থোকপগী অহুমনা মখোয় হিংবদা খ্বাইদগী হেন্না তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফাওবা ফঙবা ঙমদ্রে হায়খি হায়না চেসিকোপনা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
WATER RESOURCES DEPARTMENT, MANIPUR
(NATIONAL HYDROLOGY PROJECT)

[illegible] / E-Tender Bid Reference No. : NHP-2021-2022-MN-143749

Reference to the Notice Inviting Tender No. EE/WRD/NHP/1-1/2021-22/135 dated 10th January for the bid document No. WRD/NHP/1-72/2021-22, the following online tender is invited by the Water Resources Department, Government of Manipur from eligible bidders under National Competitive Bidding (NCB) and with the approval of Election Commission of India where no objection, from MCC angle, to float tenders and publication for publicity under National Hydrology Project **vide Letter No. 437/6/CG/LA-Multi/ECI/LET/FUNCT/MCC/2022 dated 4th February, 2022** and approval of the Government **vide Letter No. CSS-SP-803/1/2022-WR-WR dated 26th February, 2022.**

**Details:** Procurement of Flow Tracker hydromet equipment for the State Hydrological Data Centre, Manipur. Availability of bidding document from website is **07/01/2022; 10:00 HRS (System Server Time).** Last date of online submission of bid through electronic mode is **28/03/2022; 15:00 HRS (System Server Time).** Details of the document can be downloaded and is to be submitted on-line through e-procurement/e-tender portal https://manipurtenders.gov.in (e-Tender ID.: **2022_WRD_1790_1**). It is also available on http://nhp.mowr.gov.in. All correspondence/communication shall be made to the Executive Engineer, Irrigation Investigation Division, Water Resources Department, Lamphel, Imphal-795004, Manipur, India, telephone & Fax No. 03852955821, e-mail ID: nhpmanipur@gmail.com.

Sd/-
Executive Engineer
IID, Water Resources Department
Government of Manipur
**State Project Management Unit (SPMU), NHP, Manipur.**

HL-B/7537/17

**GOVERNMENT OF MANIPUR /1777**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / N O T I C E**
**16th March 2022**

**No.9/20/2004-SW(JJA)(CWC)Pt-1:** The candidates who had applied for the post of Child Welfare Committees(CWCs) for the districts of Imphal East, Imphal West,Thoubal,Bishnupur,Jiribam,Chandel,Ukhrul,Senapati,Kangpokpi,Tamenlong,Churachandpur & Pherzawl in response to Departmental Notification No.1/14/CNCP/ICPS-(SW) dated 24th September 2021 are hereby informed to appear in person along with original educational qualification certificates, experience certificates and related documents at the **Directorate of Social Welfares AT Line Near 2nd MR Imphal on 25th & 26th March (Friday & Saturday) at 10:30 a.m in the schedule given below.**

| 25/03/2022(Friday) | 26/03/2022(Saturday) |
|---|---|
| Imphal West | Imphal East |
| Thoubal District | Bishnupur |
| Chandel | Jiribam |
| Ukhrul | Senapati |
| Kangpokpi | Tamenlong |
| Pherzawl | Churachandpur |

Sd/- NgangomUttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-B/7539/17,18

রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্ট

# পিছ টৌল্ক মখা চত্থখিগনি: য়ুক্রেনিয়ন নিগোসিএটর



বৈজিং, মার্চ ১৬ (এজেন্সী): মরী লৈনবা পার্টিশিংনা ৱাতেমদুনা মরা তপ্পা সোলুসন অমা পুথোক্নবা হোৎনরিঙৈ মরক্তা রসিয়া-য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট য়ুমশকৈশ নুমিত্তসু মখা চত্থরি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টগী এদভাইজর মাইখাইলো পোদোলয়াক্না ফোঙদোকখ্রে।

এদভাইজর অসি রসিয়নশিংগা ৱারী শান্নরিবা য়ুক্রেনগী দেলিগেসনগী মেম্বর অমনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পোদোলয়াক্না ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি হয়েংসু ঐখোয়না মখা তানা ৱারী শান্নগনি। মসি খরা লুবা মখলগী নিগোসিএসন প্রোসেসনি।

ফিভম কয়াদা অমগা অমগা তাইওন্নবা ৱাফমশিং লৈ। তৌইগুম্বসুং কম্প্রোমাইস তৌনবা য়াবগী মওং অমসু ঐখোয়না উবা ফঙলি। ৱারী শান্নবা লেপ্লিঙৈ মনুংদা সব গ্রুপশিংনা মখা তানা পান্দম ফঙনবা হোৎনগনি।

চৈরকসিদা ক্রেমলিনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি, মদুদি রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট চার্লস মিচেলনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোনগী খুত্থাংদা য়ুক্রেনগী ফিভমগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

লুচিংবশিং অসিনা য়ুক্রেনদা হৌজিক রসিয়ানা চত্থরিবা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসনদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংশিং অমদি মীচমশিং হোন্দোক্লবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা অরৈবা মতশিং ফোঙদোক্লখি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা হৌজিক রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী দেলিগেসনশিংগী মরক্তা ক্রাইসিস অদুবু লৈখায় তানবা হোৎনরিবশিং কুপ্না য়েংশিনখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুএনদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসেদরনা ফোঙদোকখিবদা য়ুক্রেনগী হৌজিক লৈরিবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিসকা মরী লৈননা রসিয়ানা মশাগী ওইবা দ্রাফট সেক্যুরিটি কাউন্সিল রিজোলুসন অমা পুথোক্লগনি।

ফ্রাঞ্চ অমসুং মেক্সিকোনা জেনরেল এসেমব্লিদা মখোয়গী দ্রাফট মুভ তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা রসিয়ানা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

য়ুক্রেনদা হৌজিক থোক্লিবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিসকী মতাংদা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা অয়াবা লৌননবা ফ্রাঞ্চ অমসুং মেক্সিকোনা দ্রাফট রিজোলুসন অমা পুথোক্লবা হোৎনেখিবনি।

লৈবাক অনী অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না হিরম অসিগা মরী লৈননা এক্সন লৌখৎনবা জেনরেল এসেমব্লিদা মুভ তৌরগনি হায়খি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref: Mutation Case No. 139/AS&SO 15-03-2022**
1. Ningthoujam Bahon Meiei, S/o. N. Iboton Singh of Elangkhanpokpi (Acre .055)
2. -do- Surjit Meitei, S/o. -do- of -do- (Acre .055)
3. -do- Shyamo Meitei, S/o. -do- of -do- (Acre .055)
4. -do- Inao Meitei, S/o. -do- of -do- (Acre .055)

-Vs-

1. -do- Naol Singh, S/o. (L) Phaijao Singh of -do-
2. Elangbam Ibothem Singh, S/o. (L) Tomba Singh of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
15-03-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৭৩-এলাংখানপোকপী পাট্টা নং ১১০/১৬৭/৬৪৭ অনৌবা দাগ নং ২১১৯ এরিয়া .২২ একর হেক্তর ইংখোল অসিগী পাট্টাদার ১) নিংথৌজম নাওল সিংহ পী: মৃ: ফৈজাও সিংহ ২) এলাংবম ইবোথেম সিংহ পী: মৃ: তোম্বা সাং এলাংখানপোকপী অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথপীরগা পিটিস্নরগী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, Kakching**

HL-P/1875/17

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 19/SDC/Bishnupur, 2022**

1) Thoudam Hemchandra Singh S/o (L) Th. Janaki Singh of Wangkhei Thangjam Leikai.
2) -do- Lokeshwor Singh S/o -do- of -do-
3) -do- Dhanachandra Singh S/o -do- of -do-

- Petitioners

-Versus-

Thoudam Janaki Singh S/o Th. Subol Singh of Ngaikhong Khullen. - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Bishnupur, the 15-03-2022


Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thoudam Janaki Singh S/o Th. Subol Singh of Ngaikhong Khullen দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 35-Ngaikhong Khullen পাট্টা নং 401 (অরিবা), 329 (অনৌবা)সি: এস: দাগ নং 1446 area 2.60 phourel and 2308 area 1.25 Taothabi চাওবা ফৌরেল, তাওথবী অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

HL-P/1874/17

[illegible]

# জগোই রাস ৱর্কশোপ লোইশিনখ্রে




হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৫ দগী মার্চ ১৬, ২০২২ ফাওবা থা অমা চুপ্পা চত্থরকপা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্স ৱর্কশোপ অমা পান্থোইবী থাঙ-তা এন্দ জগোই শিন্দম শঙলেন, মোইরাং খুনৌনা শীন্দুনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা ঙসি লোইশিনখ্রে। রাস লীলা অমদি নাইতোম জগোইগী শাথেক অমদি নুংগী ওইবা ভাপ রাসশিং নৈনদুনা হৌগৎলক্লিবা নহা ওইবা ছাত্র-ছাত্রি কয়াদা তাকপী তম্বীদুনা ইপা-ইপুনা চেকশিন্না থম্বীরম্লবা আর্ট ফোর্ম অসিবু অমুক্না হেন্না পাকথোক-চাওথোক্না লোইজিং-লোইয়া খায়দনা তুংগী মীরোলনা হেন্না খঙহৌনবগী পান্দমদা ৱর্কশোপ অসি পাঙথোকখিবনি।


শক্নাইরবা ওজা রাজেন লাইশ্রম অমদি ঙাসেপম মেনেকা দেবীগী মীৎয়েং মখাদা ছাত্র-ছাত্রি ৫০ (য়াঙ্খে) রোম্না শরুক য়াখি।

লোইশিন-ৱারোল পীবদা ওজানা অসুম্না হায়বীখি মালংগী তান্থাদা উপাল-ৱাপালনা হাইনা-হুন্না, থেক্লা-নৌনা শান্নবগুম থৱায় পানবা মীওইবা ঐখোয়সু কালাগী ঈপাক্তা চেন-চোংদুনা শান্নরি। কালা য়াওদনা মীওইবনা হিংবা ঙমদে মরম অদুনা কালাবু মনুং থীৎনা অমদি মতোল লোম্না খঙবা মথৌ তাই হায়বীখি।

হায়জরিবা :- **রাজু লাইশ্রম**
সেক্রেটরি,
পান্থোইবী থাঙ-তা এন্দ জগোই শিন্দম শঙলেন

HL-P/1317/17

**[illegible]/অমাংথোঙ ময়াদা ফুরি মচা অনী শৌবা, ফুরি অদু মরক-মরক্তা নাই চারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, নাই চারমদাইদা অমাংথোঙ মপান্দু য়াম্না হাক্কৎচবা, পূকচেপ অনীমক নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, নঙ্গনদা চিকপা, লেংজুম অনীমক নাবা, খোঙ হান্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মকক-মকক হান্বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা অদু পায়বদা কন-কন লাউবা, অমাংথোঙ ময়াদা ফুরি মচা অনী শৌবা, ফুরি অদু মরক-মরক্তা নাই চারকপা, নাই অদু ওমখৎলমদাইদা অমাংথোঙ অদু য়াম্না হাক্কৎচবা, ফুরি অদুদগী মচুম খজিক-খজিক তারকপা, অমাংথোঙদা চোৎ-চোৎ লাউরগা লৈবা, মচুম তারকপা অদুনা মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুক ফরগা অমুক তারকপা অসুম্না অদুম তৌরগা লৈবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা হেনবা অমদি ঈসু লেপ্তুনা তারকপা অমদি মচুম তারকপা হেনবা, খোঙ হান্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মকক-মকক হান্বা, হামেং মথিগুম্না অকনবা ওইনা হান্বা অদুদা অমাংথোঙ ময়া অমদি মপান্দা তৎলগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হান্বা লোইরগা অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না শাবা, লেংজুম অনীমক শাবা-নাবা, নঙ্গনদা চিকপা, পূকচেপ অনীমক নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খ্বাঙ য়াম্না নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **Th. Riya Chanu**
Waheng Leikai

HL-B/7498/17